# ১৮শুবা চহীচাদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র, লোইনাই চীংথংখোম্বা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নীংশিং 'ষ্টাম্প' ফাওবা পুথোকখ্রে

- খুন্দোংবম কুমার -

শ্রীগোবিন্দজিবু থৱায় হকচাং লূপ্না মীৎকুপ কাংদনা নীংবা মনাই ভক্তনি য়াইফবনি হায়বগীদমক্তা শ্রী ভাগ্যচন্দ্র কৌই অমসুং মণিপুরগী চীংদা তমদা লৈবা লোইনাই পূন্নমকপু খুদম চন্না পাল্লি হায়বগী শ্রী লোইনাই চীংথংখোম্বা হায়নসু খঙনৈ। (চীংথংখোম্বা)।

১৮শুবা চহীচাসিদি মৈত্রবাক মণিপুরগী পুৱারীদা য়াম্নমক মরুওইখিবা মতমনি হায়জনীংই। মতম শাংনা লৈতানা য়েক্লবা ওইদুনতা লাকখিবা ঔৱা (ম্যান্মার/বর্ম্মা) বু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (পামহৈবা) না মতিক থোক্না লাক্লখিবা মতুং তারকপদদি মৈত্রবাক মণিপুরগী লৈঙাক্কী পরিংদা মথং-মথং কাইথরকখিবা অমসুং রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা অমুক হন্না শেমগৎলকখিবা পুৱারীগী লমাইবু হাইদোকচরুবদগী ইতিক লৈজদ্রবা ঐহাক্না থেংনজবা খজিক্তং থমজবনি। অৱাৎপা লিশীং-লিশীং য়াওরমগনি খঞ্জে, ঙাকপীগনি।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (কুমজা ১৭০৯-১৭৪৮) না মণিপুরগী ঙমখৈবু পাকথোক চাউথোক্না শেন্বীরম্বগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মীশক কয়াগী কাঙলূপ কোনশিল্লমদুনা লৈঙাক্কী পরিংদা লোইশঙ কয়া মশিল কয়া শেমগৎ-শাগৎপীরমখি হায়বসি ঙসিগী মীরোলসিনা নীংশিংনদুনা নৈননীংঙাই ওইরক্লি। গরিবনিৱাজনা লাইনীংগী কাঙলোন্দা রমান্দি লাইনীং লৌখিবদগীদি লৈবাক মীয়াম্বুসু লৈবাক্কী ওইবা লাইনীং ওইহন্নবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। অদুবু মহাক্না মতম ইকান কান্নদনা মতমদুগী মীয়ামগী ইহুল খঙবীদুনা মৈদিংঙুনা থুগাইখিবা লাইনিংথৌ সনামহীগী কোলু য়াওনা উমং লাই কয়াবুসু অমুক হন্না শেমগৎ-শাগৎখি (চৈথারোল কুম্বাবা, চেমায় ৯৩)। মতমদুদা রমান্দি লাইনীংবু ওইরো, গৌড়িয়া লাইনীংবু ওইরো অমবু ওইরো লৈবাক নিংথৌগী অয়াবা য়াওদনা চৎলম্বা তারবদি ৱাকোংই হায়বদি চৈরাক ফংই। খুদম - 'ইংঙা থা লংমাইচিংনা হনএ। ২নি নিংথৌকাবদা রমান্দিগী ধর্ম্ম চৎপা খিবিক ৱাকোংএ'। অদুনা রমান্দি ধর্ম্ম লৌ হায়বা য়াদবা মীওইশিংখক্তা চৈরাক ফংহন্দুনা চৈশিং কক্তনা ফুবিখি হায়রবদি লানগনি।

মতমগী য়াওলদা, মৈত্রবাক মণিপুরগী অকোয়বদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা কিনরম্বা মতিক মঙাল লৈনা পাল্লম্বা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ/পামহৈবা কুমজা ১৭৪৮দা মহাক্কী অহুমশুবী তালোই গোমতি (লৈমা থম্বাল) গী মচানুপা অহল চিৎসাইদা নিংথৌ খুভম হেক শিন্নথোকখিবদগীদি, গরিবনিৱাজ নীংবা কায়বতা নত্তনা অৱাবা খুদোংথীবা থৌদোক্না মপুন্সি ফাওবা লমখাংদা পিখম্নখি। লৈবাক অসিদা অমুক্তা পঙনা থোকখিদবা 'অপোকপা মচানা অপোকপা মপা হাৎপগী অকি তুজুংবা অমদি তৌহৈদবা থৌদোক থোকখিবা', অমুকসু নিংথৌ খুভমদা য়েৎলক্তনবা হক লৈবা নিংথৌমচাশিং লোইশিন্নবা অরোনবা খূৎপু থাদোক্তুনা কোয়থি থিনরকপা কয়াসি মৈদিংঙু চিৎসাই (কুমজা ১৭৪৮-১৭৫২) অমসুং মমাইবেম্মা গোমতিগী খূজিল থৌরাং ঙাক্তনি। অদুদগী অমুকসু গোমতি রানিনা হেক পোকচবা ভরতসাই (কুমজা ১৭৫২-১৭৫৩) না লৈবাক মীয়ামগী ঈহৌদা (মৈদিংঙু চিৎসাইবু মৈত্রবাক্তগী তাম্থোক্লবা মীয়ামগী ঈহৌ) য়াওশিল্লক্তুনা ময়াম্বুংগী নিংথৌ খুভম মুনহৌখিবা থৌদোক্লচিংবা কয়াসিনা মৈত্রবাক মণিপুর কাং-খোং চাইবগী ফীভমদা লাকখি। কুমজা ১৭৫১/৫২ (শকাব্দ ১৬৭৩) গী পোইনু ২৬তা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ, শ্যামসাই খুরাইলাকপা, মোইয়াংলানহাম্বনচিংবা মীশক ২০ মুক নিংথি তুরেলগী তোফাং হীদেন্দা মৈদিংঙুগী অপোকপা মচা তোলেনতোম্বা (সত্রুঘনসাই) না লুচিংবা লান্মী খূৎপু অমনা মীহাৎ থিনা হাৎখ্রবনি। হান্নসু পঞ্জখ্রে। তোলেনতোম্বা কুমজা ১৭২৯ (শকাব্দ ১৬৫১) গী থৱান ১১দা পোকখিবনি। মহাক্না মপাবুং হাৎখিবা মতমসি মশাগী চহী ২২ মুক শুখ্রবনি। মৈদিংঙু ভরতসাইনা কুমজা ১৭৫২দা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ খুভম লৌখ্রবসু চহী অমদগী হেন্না পানবা ঙমখিদে।

মতৌ অসুন্না গরিবনিৱাজ নোঙ্গাখ্রবা মতুংদগীদি মহাক্কী মচাশিং মরক্তা নিংথৌ খুভম মুন্নবগী মুক্লবশিং অদুনা লৈঙাক্কী পরিংদা অকায়বা কয়া থোক্লক্তুনা মৈত্রবাক মণিপুরসি নোংচুপ থংবা খা এসিয়াগী মনুংদা মপাঙ্গল লৈবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্নকখিদে। চহী তরেৎলোমসি মণিপুরগী কোনুং ওইরিবা কংলা মনুংগী মমা তিন্নদবা নিংথৌমচাশিং মরক্তা অমদি কোনুংগী অঙম অথৌশিং ফাওবা অমগা অমগগী মরক্তা য়েক্লবগী মহুম শাগৎনদুনা পুমচাই চাইনরিবা লৈঙাক্কী লুরবা তাঙ্ককসিদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মচাইবুংঙো আনন্তসাইনা য়াম্না হৈশিংনা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা ময়াম্বুংগী মচাশিং গৌরশ্যাম অমসুং ভাগ্যচন্দ্র অনীবু পুথোক্লক্তুনা চহী ৫/৫ নিংথৌ ওইননবা শিন্দোক-শিনজিন তৌখিরম্মী। অসিগুম্বা পুৱারীগী চিরবা তাঙ্ককসিদা গৌরশ্যাম অমসুং ভাগ্যচন্দ্র মখোয় অনীনা মবুধৌ গরিবনিৱাজনা কল্লম্বা ফীদাদু হঞ্জিন্নবা হোৎনবা অরাইবা থবক ওইরমদে। হৌখিবা মতমদা মবুধৌ গরিবনিৱাজনা ঔৱাবু লাক্লখিবা অদুগী লমন খুম্বা ওইনা ঔৱানা মণিপুরগী মথক্তা হন্না হন্না লান্দাশিন্দুনা মতম চূপ্পগী ওইনা মণিপুরবু নমথবা অসিনি। মতমদুদা ঔৱা/বর্ম্মা (ম্যান্মার) দা লৈঙাক পায়রম্বা তোংঙু শাগৈনা কাইখ্রবা মতুং আলোংপায়ানা লৈঙাক্কী শক্তি পায়রকপা তাঙ্ককসিদা মণিপুরগী মথক্তা অতম্ননা লমন খুম্বগী লাঞ্জংদা খা-ৱাং নোংপোক-নোংচুপ খাইদনা মখোয়গী লান্মীগী অকনবা শক্তি শীজিন্নরকপসি গৌরশ্যাম অমসুং ভাগ্যচন্দ্রগী হাক্তক্তদগী ওইখিবা অসিনি। তেনশিঞ্জরবদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা অহানবা নিংথৌ ওইখিবা (কুমজা ১৭৫৯দগী ১৭৬১ ফাওবা), অনীরকশুবা ওইখিবা (কুমজা ১৭৬৩দগী ১৭৯৮ ফাওবা) মতমসিদা ঔৱাশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন মৈত্রবাক্তা লান্দাশিল্লকখি। লানফম খুদিংমক মায় পাকখিদে, কয়ারক হন্না মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা কছাড়দা, অসাম (তেখাও) দা লাঞ্জেনখি।

মতমদুদা ঔৱাগী লানসু থেংনবা অদুগা নিংথৌকোন্দা লৈরিবা নিংথৌমচাশিংগী নিংথৌ ওইনীংবগী লৌ কয়ামসু মায়োক্লরিবা অসিগী মথক্তা মমাগা পোকমিন্নবা মোইরাং নিংথৌ খেলৈ নুংনাং তেলহৈবগী লৈঙাক্কী ওইনা ঙমখৈগী মতাংদা লম নীবগী ৱাফমদা মোইরাংগা য়েক্লবা ওইরকপা অসিনি। মোইরাংগী থাংলক্লিবা খোঙথাং অসিনা অপূনবা মণিপুর অমসুং মীপূম অমা শেমগৎপদা চাউরবা খুরৌ অমসু ওইখি। মতমদুদা মোইরাং অমসুং ঔৱা/বর্ম্মাগী অপূনবা লান্মী খূৎপুনা মৈত্রবাক কাং-খোং চাইখি (কুমজা ১৭৬৪)। ভাগ্যচন্দ্রনা কছাড়গী, অসাম (তেখাও) গী মফম মফমদা লানগী মতেং নীবা চৎখি। মহাক্না লাঞ্জেল্লুবা মফম কয়াদগী লাইনীং লাইশোনগী কলচর কয়ামসু উবা ফংলকখি। মতমদুদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা তোইনা লাঞ্জেল্লকপা অমদি মায়থীদুনতা লাকখিবনা মরম ওইদুনা মৈতৈ নিংথৌদি লাইগী চাদানি হায়নরম্বা ফাওবা মাঙশিল্লকপগী ফীভমদা লাকখি। অদুবু মহাক্না অসামদা (তেখাও) থুপ্পুনা লৈরিঙৈদা মহাক্কী থম্মোয়নুংদগী পীরকপা থৌইনশিন অমনা শ্রীগোবিন্দজিগী ভক্ত ওইনীংবগী ইহুল অমা ফাওরকখিবরা? অসিনি।

কুমজা ১৭৬৭ (শকাব্দ ১৬৮৯) তা অসাম (তেখাও) গী নিংথৌ স্বর্গদেবনা মশীং য়াম্লবা লান্মী কয়ামা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মতেং পাংলুনবগীদমক্তা মণিপুরলোমদা থারকখি। কুমজা ১৭৬৮ (শক ১৬৯০) গী শজিবু ৬তা মৈতৈ লান্মীনা খেলৈ নুংনাং তেলহৈববু হাৎখিবদগীদি শাফরকখি। মোইরাং খেলেম্বা থুপখ্রবদা মচানা হৌরকখিবা অদুগা মনাও ইবুংঙো কৃষ্ণচন্দ্রগী লালহৌশিংদি লায়না লাকশিনখ্রে।

মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা লান কয়া শোক্লরুরবা, কয়ারক হন্না লাঞ্জেনরুরবা মতুংদা অমুক হন্না নিংথৌ খুভম লৌরবা মতমদুদা লৈবাক মনুংগী কাঙলূপ কয়াগী ঈহৌ অমসুং কাংখোং চাইনা লৈরুরবা লৈবাক খুন্নাইসিবু লাকশিন্দুনা অনৌবা কাঙলোন অমদা পূরক্লুবা হোৎনরকপা হায়বসি মহাক্কীদি তৌদবা য়াদবা লৈঙাক্কী থৌদাং ওইরকখি। ভাগ্যচন্দ্রনা অনৌবা কাঙলোন, অনৌবা মণিপুর অমদা নে তানা লৈহন্নবা মণিপুরগী কাঙলূপ কয়াগী খুঙ্গং কয়াদা চৎ-চৎতুনা লৈঙাককী অমসুং নাটকী মরী মরাং শম্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকখি।

মতাং অসিদা থমজরিবা ৱাফমদি, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগা মবুধৌ গরিবনিৱাজগা অনীগী মরক্তা লাইনীংগী যূম্ফম শেমগৎপদা চাউনা খেন্নবদি লৈরকখি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা রমান্দি লাইনীং অমসুং মসিগা শাগোন্নরিবা নাটকী মচাকশিং অসি নিংথৌগী অকনবা য়াথংনা শন্দোক্লবা লাক্লরম্বনি। অকনবা নিংথৌ ওইখিবনা মহাক্না হোৎনরল্লিবা অদুগুম্না ভাগ্যচন্দ্রগীদা লৈরিবা লৈঙাক্কী মওংদা পুশিল্লকপা য়ারোইদবনা, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শ্রীগোবিন্দজীগী ভক্ত ওইজগে হায়না খঞ্জরুবদুনা গৌড়য়া বৈষ্ণব লাইনীংগী পরিংদা লাক্তুনা ঋষিগী শক্তম লৌদুনা মীয়াম্বু ভক্তি প্রেমগী লম্বীদা পুশিন্নবা হোৎনরকখি।

রাজষি ভাগ্যচন্দ্রনা মবুধৌ গরিবনিৱাজগী মতমদা পুথোক্লম্বা পুংগী, জগোয়গী, তালগী অমদি অতৈ কয়াগী মওংদু হোংদোক্তুনা অনৌবা কির্ত্তনগী মশক অমা শেমগৎলকখি। গরিবনিৱাজ মতমগী বাংলাদেশ কির্ত্তনগী মশক্তু হোংদোক্লগা মণিপুরগী হান্না লৈজরম্বা নাটকী মচাকশিংগসু তোৎশিন-শমজিন্নরগা গৌড়য়া লাইনীংগী অনৌবা সংকির্ত্তন অমা পুথোক্লকখি। অদুঙৈ শ্রীধাম বৃন্দাবন্দা রাধা-কৃষ্ণনা গোপিশিংগা লোয়ননা শান্নখি হায়না ভক্তশিংনা থাজনরিবা 'রাস লীলা' দুগী নুংগী ৱাখল্লোনদি কায়হন্দনা মণিপুরগী লৈহাওগা চান্নবা মওংদা তোপ তোপ্পা পুথোকখিবা রজর্ষিগী 'রাস লীলা' মালেমসিদা মণিপুরবু শক তাক্তুনা ফীদা অমা কল্লি হায়বসি মীপূম খুদিংনা খঙনরি। শিংথাবদা লোইবা নাইৱরোইদবা রাজর্ষিনা পুথোকপীরল্লিবা কলচরগী খুদোল কয়াসি ইজরিবা ঐহাক্না ইতিক লৈজদবনা তেনশিঞ্জরে।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা ১৮শুবা চহীচাদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী লৈঙাক্কী অমসুং কলচরগী খুদোল কয়াবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙবীবগা লোয়ননা শিংথাবীদুনা নীংশিং 'ষ্টাম্প' ফাওবা পুথোকপীদুনা কুমজা ২০০০গী দিসেম্বর ৩১দা ইস্যু তৌবীখ্রে। হায়রিবা চহীদুমক্তদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নীংশিং 'ষ্টাম্প' ইস্যু তৌবীখিবসি পুৱারীগী ওইনা শক্নাই-মীংনাইরবা মখোয় মীশক মরিনি, মখোয়শিং অদুদি :-

1. Somarat Prithviraj (1162 A.D. - 1192 A. D.)
2. Raja Bhameshah (1542 A.D. - 1598)
3. General Zorawar Singh (1786 A. D. - 1841 A.D.)
4. Rajashi Bhagyachandra (1740 A.D. -1798 A. D.)

শিংসিনি।

পঞ্জরিবা শক্নাই-মীংনাইরবা মীশকশিং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াথংদা দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টনা দিসেম্বর ৩১, ২০০০দা ইস্যু তৌবিখিবনি। ফোটোগা কোন্ননা অকূপ্পা ৱারোলগী ৱাফমদি চেফোংসিদা থমজদ্রে, মফম মতম চাবদা থমজরক্লে ৱারৌবিরোই। ●

# উমংলাই হরাওবুংদা লাইনিংফম লাইশঙ

- ইবোপিশক নোংথোম্বা -

অহানবদা ইবুধৌশিং-ইবেনধৌশিংবু পুনেমনা ইজরক্লে।

মপা-মপু লাৎপা চৎনরকপা মীতৈ ফুরুপ অসি, ঙল্লিঙৈ মতম লাইশঙ শাদুনা লাই লাৎপা চৎনরক্তে। হয়িচক্তা পানখিবা চেংলৈ সলাইগী নিংথৌ কাংবনা সন্নমহী/সনামহী থেংনদুনা লাৎলম্বদু লাইশঙ শাবগী ৱাফম থেংনদে। চুম্না, ৱারোইচিংদা পুখৎলগা ইবুংঙো মাবু নুঙগী শক্তম শাদুনা লাৎলমই। ফুরুপ অসিগী ওইনা লাইশঙ শাদুনা ইহান হান্না লাই লাৎপা হৌখিবদি খাবা সোকচ্রোনবগী মতমদনি। মচানুপা তরমখোইনুচাগীদমক পান্থোইবীবু মমৌ ওইনবা হায়রুই। পান্থেহৈবীনা, মহাকসি লাইনি খঙদ্রমাল্লে, খঙহল্লগে খন্দুনা, খাবা কাংবুনা ঙমলোইদবা ৱাফম অমা হায়রুবদা খাবা কাংবুগী মীচঙ লৈরমদুনা, পান্থোইবী খাবা শাগৈদা লৈবা তাখি। অদুনা লাইনীং মতিক মথৌনা খঙহন্নবা মীগী লিচৎ নত্তবা কয়া চৎলি। মনেম মনুতেকঙানা ওৎ-নৈবা কয়া তৌই। করিসু কান্নখিদে। পান্থোইবী খাবা ময়ুম থাদোক্তুনা মশাবী নোংপোক্না পুনখি। মমৈথংদা খাবা কাংবুনা পান্থোবীবু মী নত্তে, লাইরেম্বীনি হায়বা খঙলকখি। ইবেম্মগী মফমদা চৎহৈদবা কয়া চৎলুবগী মরাল ঙাকপিনবা খাবা কাংবুনা লাইশঙ শাদুনা লাই লাৎপা হৌবা অহানবনি হায়বা তাই।

তেংবানবা, মসিদা লৈরিবা পুন্নমক, অসি লাইনা শেম্বনি। লাইনা মীসু শেমই। মীনা অমুক লাই কয়ামুক শেমই, শাই, লাৎলি। মীনা শেম্বা লাই য়াম্না য়ামই, লাইশিংদুদা মীনা খুরুমজৈ, থৌজাল নিজৈ মসি পঙলবা অইবনা তোয়না হায়বা, করিগুম্বদা ইবা ৱাহৈশিংনি। লাই লাৎপা হৌবসি নাৎ শেম্নকপগী য়াম্না মরুওইবা মরম অমনি।

মালেমসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী অপিকপসু, অচৌবসু মখোয় মখোয়গী মনাৎ লৈনবঙাক্তনি। ফুরুপ অমগী মনাৎ শেমগৎলকপদা লাই-তিনগী ৱারী, হৌজিক মতমদা হায়রগা অপঙথাজা, য়াওনবা ঙাক্তনি। তশেংনা হায়বা তারবদি-লাই-তীনগী ৱা য়াওদনা ফরুপ অমগী মনাৎ শেমগৎপা ওইথোকলোই। অপাঙথজা ৱারী কয়া পুল্লগা ফুরুপ অমগী মনাৎপু ফজহনবনি। মসি হায়জবগী মরমদি-লাইনিং হায়বসি নাৎকী খ্বাইদগী মরুওইবা, মীওইবগী থৌরম অমনি।

ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং অদুনা মহৌশাগী ওইবা পোৎশক নুমিৎপু, মালেমবু, থাবু, থৱানমিচাকপু ঐখোয়গী পুন্সিগা তোৎন-তিন্নহনবা মওংদা থনল্লিবা, হায়বদি নাৎকী মচাক ওইনা শেম্নক্লিবসি কাংলোনগা চানবা, অৱাংবা থাক্কী খুৎশেমনি হায়দবা ঙমলোই। মদুদি-কোরৌ নুমিৎপু তেংবানবগী মপু শিদবা, মালেম ইমাবু লৈমরেল শিদবী, অচৌবা উপালবু, নুঙবু লাই ওইনা লাৎলমলিবসিনা ইপা-ইপুশিংদুগী ৱাংউলোন অসি য়াম্না শানবা মীৎয়েং লৈবগী মমি তাই হায়নিংই।

লাই পোকপা হৌনদে, শিব লৈফদে। মতম পুম্বা লৈফম থোকই। লাইদি ৱা ঙাঙদে, লোন থোক্তে, মিৎ উদে। অদুবু ৱা ঙাঙহল্লি, মিৎ উহল্লি মীওইবনা। অদুনা, ইপা-ইপুশিংদুনা পুথোক্লম্বা, শেমগৎ-শাগৎলম্বা- তেংবানবগী মপু সলাইরেন্না সাইওনবা সন্নমহী/সনামহী ওইনা ফুহিংনুংদা শাইওনবিররে। সলাইরেন্না সাইওনবা সনামহীবু তেংবানবদা লৈরিবা থৱায় পানবা-পান্দবা শেম্নবা থৌদারে, পাউখোল শীরে, অশিবা কৌরে। অশিবনা শেম্বা ময়ামগী মনুংদা তাইবং মীসু অমনি। তাইবং মীনা তাইবংপানবদা ফাওরকপা, থোরকপদা মপু মানা মাঙ থারগা থোরকখি। লৈফম লৈতদুনা (মী, লাই উবা য়াদবা) অঙাংগী হকচাং মনুংদা, ফিদুপ অহুমদা, লাইবক্তা লৈখি। অদুনা ঐ ইশাদা মপু মাসু য়াওরি। কয়াদা ফজরিবা ৱাংউরোলনো। মরম অসিদগীনি ইপা-ইপুশিংদুনা ''ঐ মশক খঙঙু'' হায়না পাউরৌনরল্লিবা।

মীতৈ ফুরুপসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে, শক্তম লাৎলমদে। মখোয়সি পা-পি, মপা-মমাবু লাইগুম নীংবা ফুরুপনি, মিৎনা উবা লাই লাৎপা কাংলুপনি। মখোয়গী মপা-মমাদি কনানা শেম্মী? শিদবা মপু, সনামহীনা শেম্মী। অদুনা ফুরুপসিগী মীশিংনা যূম যূম খুদিংদা শেম্মিবা মপু মাবু, মাগী শাইওন-লাংওনশিংবু খুভম য়াদুনা লাৎনরি। ৱারেং অসি তেনশিঞ্জগে। খজিক্তং পঞ্জবসি মীতৈ ফুরুপকী নাৎকী হৌরকপগী মশক খরদং পঞ্জবনি। থমজনিংলিবা, হায়জনিংলিবা ৱাফমদি-উমংলাই হরাওবা অসি মীতৈ ফুরুপকী নাৎকী হৌফমনি, নাৎকী তুংনফমনি। অসিগুম্বা নাৎকী হৌফম ওইরিবা লাই হরাওফমদি ফুরুপ অসিগী খুঙ্গং খুঙ্গং খুদিংদা মরাং কায়না লৈনরি। হরাওবুংদা লৈরিবা লাইশঙ ময়াম অসি মীতৈ ফুরুপকী লাই খুরুমফম, লাইনিংফম ওইবা য়ারোইদ্রা?

মথক্ত পঞ্জখ্রে, লাই মীনা শেম্মী। অদুগা লাৎলি-খুরুম্মী। লৈরমদবা লাইশঙ কয়া শাগৎলি, হরাওনরি, খুরুমনরি। লৈরমদবা লাইশঙ শারগা, লাই লেঙসিল্লগা লাৎপা, খুরুম্বা য়ারবদি মীতৈ ফুরুপকী লাইনিংফম লাইশঙ লৈতে হায়নরিবসি হরাওবুংগী লাইশঙশিং অসিদা লাই খুরুমফম ওইবদা করি কায়গদগে?

মী ঐখোয় লৈবদগী লাই লৈ হায়বনি। লাই নিংলিবা মী ঐখোয় লৈত্রবদি লাই কদাইদা লৈগদগে। লাইনিং হায়বসি থাজনবীদুনি। থাজবা লৈত্রবদি লাইনিংদু অরেম্বনি। ঐ লৈবগী লাই লৈবনি। ঐ লৈত্রবদি লাইসু লৈরোই। থায়নদি মীতৈ যূম শাদুনা ফুঙ্গা লিংলম্মী। ফুঙ্গাদা ইমুংগী মী পুন্না ফমদুনা লাইনীং-লাইশোন, চৎন-লোনচৎ, খুন্নাইগী থকসি-খাসি কয়া, অহল-লমন্না লীদুনা পূক্লিং লৌশিং ওইনরমই। মদুনা লাইশঙগী কান্নবা থোইনা লৈরমদবরা খল্লি। অদুবু হৌজিক্তি মীতৈ ফুরুপকী ওইবা লাইশঙশিং অতৈ ফুরুপকীগুম্না, লৈবা য়াম্না মথৌ তারে নিংই। মরম অদুননি অইবনা হরাওবুংগী লাইশঙশিং অসি মীতৈ ফুরুপকী লাইনিংশঙ ওইবা য়ারোইদ্রা হায়জরিবা।

উমংলাই হরাওবুংগী লাইশঙদা ''লাই খুরুমফম লাইশঙ'' ওইবা য়াফম থোকই হায়বগী মরমদা ৱাফম খরা থমজরি। মদুদি-লাই হরাওবা হায়বসি করিনো? মসিগী মরমদা অখঙ অহৈ কয়ানা মাগী মাগী ওইবা ৱাখল্লোন ফোঙদোকনৈ। মখোয়গী মনুংদা খরনা পানগী ওইবা, পারি-পুরি লাৎপনা মপূং ওইনা, খরা অমনা নুংগী ওইবা তাইবং মপুবু লাৎপনা মপূং ওইনা ফোঙদোক্লে। ময়াম অদুবু শুপচিল্লগা অইবনা অসুন্না হায়নীংই মদুদি - 'ইচম চম্না পারি-পুরি লাৎপা ওইনা উমংলাই হরাওবা নত্তে। তেংবানববু শেন্বী-শাবীরিবা ইবুংঙো মাবু ফংননবা কুমহৈ তৌদুনা, হরাও তয়াম্বা লোয়ননা থিবনা লাই হরাওবগী অশেংবা, অচুম্বা পান্দম ওইফম থোকই। (অইবগী উমংলাই হরাওবদা অনৌবা মীৎয়েং অমা' দগী)। অদুনা লাই হরাউবা হায়বসি নুংদদি তেংবানবগী মপু অশিববু ফংননবা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকচবনি। মসি মী অয়াম্বনা খঙনদবগুম উই।

অমনা, লাই হরাওবা হৌরমদাইদা মাইবীনা 'লাইবৌরা' থাই। লাইবৌরা হায়বদি লাই + পৌ + লা, লাইপৌলাদগী ওইরকপা ৱাহৈনি। ৱাহন্থোক্লা অপৌবা লাই হায়বনি। নুমিৎ, কোরৌহনবা, লাইনিংথৌ ইবুংঙো অশিবা, সন্নমহী/সনামহীগী শক্তমনি হায়না ইপা ইপুশিংনা হায়বিরম্বা, অদুগী মশকনি - লাইবৌরা। মাইবীনা লাইবৌরা থারবা মতুংদা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী লৈপোপ নিপান অদু লৌরগা খুরকলৈ য়েপ্পগা লাইচিং জগোয় শাই। অদুগী মতুংদা মথং মথং লৈপোক জগোয়, খূবাক জগোয় শারগা লাইবৌ জগোয় শাই। লাইবৌ জগোয়দা হকচাং শাবা, যূম শাবা, পান্থোইবী জগোয়দা - পাম য়ান্দুনা লশিং থারগা হেক্তুনা লং নাইরগা ফি শাদুনা লাইদা কৎপগী থৌরম তৌই। মসি পূন্নমক অসি কনাগীদমকনো হায়না থিরবদি লাইনিংথৌ ইবুংঙো সনামহীগীদমকনি।

মরম অদুনা লাই হরাওবা হায়বসি তেংবানববু শেন্বী শাবীরিবা লাইনিংথৌ ইবুংঙো অশিবা, সনামহীগী পেন্নবা তাইবঙচা ওইবা ঐখোয়না হৈ অমতং, লৈ অমতং অথেনপোৎ খরদং কৎচদুনা ইবুংঙো মানা পেনবীনবা হরাও তয়ামজবনি। অদুগা লাইশঙদা ফমদেংলিবা, ফমদেংলিবী ইবুংঙো-ইবেম্মশিং অসি তাইবং মপু মাগী শাইওন-লাংওন, চাদা-নাওদা ঙাক্তনি।

মীতৈ ফুরুপ অসি যূম-যূমদা সনামহী-লৈমরেলগী খুভম য়াদুনা লাৎলি। মতৌ অদুগুম্না হরাওবুংগী লাইশঙ মনুংদসু, হরাওরিঙৈ মতমদা লাইনিংথৌ লাইরেম্মা অনী অসিগী খুভম য়াদুনা চেঙবা হৈদুনা অনীবু থৌগল তৌই। মরম অদুননি অইবনা লাই হরাওবদা, নুংদা অমা, পান্দা অমা হরাওই হায়জরিবা।

মথক্তা কয়ারক হায়জখ্রে, মীনা লাই শাই হায়না। মদুগী খুদম হায়ববু চহী খুদিংগী হরাওবুং মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিনি। লৈরমদবা হরাওবুং শারগা লেঙশিল্লিবা লাইসি মীনা শেন্বা নত্তনা কদাইদগী লাই অহেনবা লৌরুগদগে? অসি হায় হায়দুনা লাই-তীনদা থাজবা থমদবগী ৱাদি নত্তে। ৱাকোই শুদুনা ৱারেংসি মাঙহল্লরোই। মীনা ঙমদবা লৈত্রে, মীওইপোকপুসু লাই ওইহনবা, উজাও উরেলবুসু লাই ওলহনবা, নূং অমবুসু, করিগুম্বা পোৎ অমবুসু লাই ওইনা য়াম্না থাজনা লাৎলিবা অসি অতৈ অমনা নত্তে, মীওইবা কৌবা থৱায় পানবা অসিগী থৱায় কৌবা পোৎশক, থৱায় অসিনবু থাজখ্রবা, মানবু য়ানীংলবা অদুগুম্বা থৱায়দুগী মপু ওইরিবা মীশক অদুদা কনানসু মবুক্লিং ওলহনবা ঙম্লোই। মসিমক্লনি, হান্না চৎনরম্মী হায়দুনা ঙসি ঙসিমকসু লাই হরাওবা লোইরগা চহী চূপ্পা থোঙ লোন্দুনা লাইশঙ মিরাং থুহন্দুনা থম্নরিবসি।

অতৈ অতোপ্পা ফুরুপশিংগীদি লাই-তীনগী ৱাসি চয়েৎনবা লৈতবগুম উই, ঐনা খঙদবসু ওইবা য়াই। মীতৈ ফুরুপীদি অখঙ অহৈ য়াম্মনবনরা লাইগী চৎনরোলসি য়ামখ্রে। থমজনীংলিবা ৱাফমদি, লাই হরাওবুংগী লাইশঙসি নুমিৎ খুদিংগী নৎত্রগা চয়োলগী নৎত্রগা থাগী ওইনা থোঙ হাংদুনা লাই খুরুমজবদা করি অকায়বা লৈগদগে? লাইনা শাওরক্কদ্রা? ঐখোয়দা চৈবী চৈথেং পীরক্কদ্রা? ইজরিবগী ৱাখলদদি, লাইনা করিসু হায়রক্লোই। ইবুধৌ ইবেনধৌশিং অসিবু থোঙ হাংদুনা হৈ অমত্তং, লৈ অমত্তং অথেনপোৎকা লোয়ননা মৈরা কৎতুনা খুরুমজবদা, হান্নগী চৎনবী নাৎ থুগায় হায়দুনা ঐবু খৌরি মেৎলক্কদ্রা, 'উৎ ওইনা তুম্মো' মীচৈসি পীরক্কদ্রা? করিসু হায়রক্কদবা মানদ্রে। মোমোন্ননা হরাও মায়থোঙ উৎলক্কনি নীংই। হায়জনীংলিবদি - পারি-পুরি লাৎপা মীতৈ ফুরুপ্না লাই খুরুম্ফম লৈতবগী অৱাৎপা লৈতনবা, লাই হরাওবুংগী লাইশঙ থোঙ হাংদুনা, লাই খুরুমসি, অসিনি।

নাৎ হায়বসি মীনা শেম্বনি, মীনা হোংহনবনি। হান্নগী মশক কায়হন্দনা শেমদোকপদি করিসু অকায়বা লৈরোই নীংই। হান্নগী চৎনবী নাৎসি হৌজিক মতমদা অরাইবা লাংবা মথৌ তারে খল্লি।

মথক্তা পঞ্জখ্রে, লাইদি মরোল থোক্তে, ৱা ঙাঙদে হায়না। মখোয়দি মীওইবগী খুদোনবীদা চৎপনি, মহৌশাগী ওইবা লাই নত্তনা।

লোইশিল্লকপদা লাইদি করিসু হায়দে হায়বগী মরমদা ৱাহৈ খরদং থমজগে। শোরারেনগী মচা খোরিফাবা মীতৈ পূন্নমক্না খঙই। লাইগী মচানি, ইবুংঙো অসিগী লাইশঙসি চয়োলগী থোঙ হাংদুনা খুরুম্বা চৎনরকই/চৎনরি। ইবুংঙোসি নোংগাদবা লাইনি, অদুনা চয়োলগী থোঙ হাংলিবনি হায়। মতাংসিদা থমজনীংবা ৱাফমদি - নোংগাদে হায়রিবা লাইসি চহী খুদিংগী হরাওরমদাইদা ইকৌখৎলি। নোংগাদে, শিদে হায়বা লইবু ঈশিংদগী থৱায় মি লৌখৎপসি চুম্বা? নোংগাবা লাইগা মান্নন ইকৌখৎলিবা করিগীনো? চৎনবী, নাৎ শেম্বদা অহো-অরাক লৈখ্রবরা? মীনা তৌবা খুদিংদা ইবুংঙো মাসু অদুম য়ারবরা? করিগী চৈবি চৈথেং খরদসু পীদুনা নোংগাদে হায়বা খঙহনদ্রিবনো? অসিনচিংবা কয়া হংনীংঙাই লৈহল্লি।

মথক্তা পঞ্জখ্রে, হরাওরিঙৈ মনুংদা লাইশঙ খুদিংদা সনামহী লৈমরেলগী খুভম য়াদুনা লাৎলি। অদুনা অপঙবা অইবগী থাজবদি - তেংবানববু শেন্বীবা অথোইবা মপু অমা লৈ, অচুম্বনি। অদুবু, মালেমসিদা লৈরিবা ফুরুপ ফুরুপকী ওইবা মান্নদবা লাই ময়াম লৈরিবা, লাইশিং অসিগী চৎন-পথাপ খুদিংমক ফুরুপ-ফুরুপ অদুনা য়ানবা মওংদা শেম্নজবনি। অদুনা ফুরুপ খুদিংগী লাইনীংলোনদা খেন্নবা লৈরিবনি। মরম অদুনা মতাং মতাংগী খুদোং চানবা শেমদোক শাদোকপদা করিসু অকায়বা লৈরোই নীংই। হৌজিক মতমদা মীতৈ ফুরুপকী লাই খুরুম্ফম লাইশঙগী অৱাৎপা লৈরিবসি 'হরাওবুংগী লাইশঙদা ওইবা' হায়বসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংগী মীৎয়েং চিংশিঞ্জনীংই।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।